হুইয়েন লানপাউ
Vol. 41, Issue No.091 | থাংজ, ইঙাগী থাশু, ইঙেনগী নোংমা পানবা | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, June 24, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

বি টি রোদতা লৈবা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী ওফিসতা পাঙথোকপা ইফটার পার্টিগী থৌরমদা পার্টি অসিগী লূচিংবা ওক্রম ইবোবীনা ৱা ঙাঙবা




দি এম কোলেজ কম্পাউন্দদা লৈবা দেব লিটরেচর সেন্টরদা পাঙথোকপা মণিপুর সাহিত্য পরিষদ ইম্ফাল লিংখৎখিবা চহী ৮৩শুবগী মপোক কুমওন থৌরম



লামায় ৩

খোংমনদা লৈবা য়ুনাকো স্কুলগী ক্লাস থ্রিদগী টেন ফাওবদা তম্লিবা মহেরোয়শিংগী জুন ১৯দগী ২৩ ফাওবা স্কুল অসিদা চথখিবা সম্মর কেম্পকী শক্তম


লামায় ৪

লৈবাকসিগী প্রসিদেন্ট খন্নবগী মীখলদা এন দি এগী মীরেপ রাম নাথ কোবিন্দগী নোমিনেসন ফাইল তৌবদা শরুক য়ারিবা লূচিংবশিং



গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

## HL POLL

**Q :** Tha asigi 25dagi hougadouriba Public Transport System asi soidana mai pakkani haina louba yabra?

**POLL CLOSES AT MIDNIGHT**

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

**Q :** Mayum pankhrabi nupising mapamda ahing ama lekkadabani hainariba wafamsi yaningbra?

Yes 20% No 80%

## অস! লোইরেহে!

নিংঙোলশিং অহিং অমা মপামদা লেকউহায়নরিসি চৎলুগে...!



নিংঙোল মৱাদি কমদৌবা...!

# নেসনল হায়ৱেশিং শেমজিনবা লেপ্পে : বিশ্বজিৎ

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) :

নোং চীংগী ফিভম ফত্তবা কয়া লৈরবসু তঙায়ফদনা ষ্টেট অসি ফাওদুনা চৎলিবা নেসনল হায়ৱেশিং শেমজিন শাজিনবগী থবক য়াম্না কন্না চথরি হায়না ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা ফোঙদোকখ্রে।



সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা ৱার্ক্স মিনিষ্টরগী ওফিস চেম্বরদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা মহাক্না হায়খি, নোং চিংগী ফিভম ফত্তবা অমদি খুদোংথিবা কয়া লৈজরবসু হায়ৱেগী মফম কয়াদা শেমগৎ শাগৎপগী থবক চথরি। হায়ৱেশিং অসি পুন্সি লম্বীনি হায়না খনবগা লোয়ননা শেমগৎপগী থবক চথরিবনি। ইম্ফাল মাও হায়ৱে লম্বীগী ফিভম শোকপা মফম কয়াসু শেম শাবগী থবক চথরি।

চীফ মিনিষ্টরগী পাউতাক মতুংইন্না ষ্টেট অসিদা পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী লম্বীশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা অখন্নবা মীৎয়েং থম্লি। অতেনবা মতমগী থবক খক্তা নত্তনা হায়ৱেশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা অখন্নবা থৌরাংশিং লৌখৎকনি। মাও মারাম লম্বীগী ফিভম মমাংদা য়েংশিল্লুরে। লম্বী অসিদা পোট হোলনচিংবা মেনশিনবগী থবক হৌখ্রে। য়েংশিনবগী খোঙচৎ অদুদা খ্বায়দগী ফিভম শোকপা মফম ওইনা থেংনখিবা লম্বীগী শরুক অসি কুকি তাফৌদগী মারামান্দ ফাওবগী লম্বী অসিনি। মারামদগী মাও ফাওবগী মরক্তা লম্বীগী ফিভম ফত্তবা কয়া লৈরি।

লম্বী শেমগৎ শাগৎপগী থবক পায়খৎপা হৌখিবদগী হান্না লৈরম্বা ফিভমদগীদি শিংথানিংঙাই ওইবা মওংদা ফগৎলক্লে। নোংজু থাগী মতমদা লম্বী কোয়লাস থাবদা য়ারোইদবা ফিভম কয়াসু থেংনৈ। পোট হোলশিং মেনবগী থবক চথুবা মতমদসু অচৌবা গাড়ীশিং থৌরগা চৎখিবা মতমদা অকায় অতোয় থোকপা কয়াসু য়াওই। অচৌবা ট্রকশিং অমদি গাড়ী ময়াম চৎপদা নুংঙাইনবগীদমক নুঙ নীংথিনা থাদুনা পোটহোলশিং মেন্নবা থবক চঙশিল্লি। নোংজু থাদা কোয়লাস থাবদি য়ারোইদবনা নুঙনচিংবা থাদুনা শেমজিন শাজিনবগী থবক কন্না চথরি। নোংজু থা হেক লোয়বগা হায়ৱেগী ফিভম ফৎত্রিবা লম্বীগী শরুকশিংদা কোয়লাস থাবগী থবক হৌগনি।

মোটবুং, হেনবুং, কাংপোকপী অমসুং খোঙনেমনচিংবা মফমশিংদা লম্বী শেম্বগী থবক চথুরকপা মতমদা মীয়াম্না কোওপেরেসন পীবীয়ু। শেমগৎ শাগৎপগী থবক পায়খৎলকপা মতমদা মীয়ামগী সপোর্ট য়াম্না তঙায়ফদে। টি খুল্লেন অমদি কুকি তাফৌ ফাওবগী মরক্কী লম্বী শেমজিন শাজিনবগী থবক কন্না চথুরি।

ইম্ফাল দিমাপুর হায়ৱে অসি ষ্টেট অসিগী ওইনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

# এয়রগন শীজিন্নবা থিংনবা কেবিনেটতা পুথোক্লগনি : শ্যামকুমার

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) : লমলক্কী শা-উচেকশিং কন্নবগীদমক অখন্নবা মীৎয়েং চঙগনি। ষ্টেট অসিদা এয়রগন বেন তৌনবা কেবিনেটতা পুথোক্লগনি হায়না ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমারনা ঙসি হোটেল ক্লাসিক গ্লান্দেদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেবেল ৱার্কশোপ অমা হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট মণিপুর অমদি ৱাইল্ড লাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়া, দেরাদুন্না শীন্দুনা মেনেজমেন্ট প্লান্নিং ওফ কৈবুল লমজাউ নেসনল পার্ক এন্দ কঞ্জর্বেসন ওফ সঙাই ইন মণিপুর হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেবেল ষ্টেক হোল্ডর ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমারনা হায়খি, সঙাই কন্নবা হোৎনবদা কৈবুল লমজাউগী অকোয়বদা তারিবা খুনশিংগী মীওইশিংগা পুন্না চৎমিন্নবা তঙায়ফদে।

কৈবুল লমজাউগী অকোয়বদা তারিবা খুঞ্জাশিংদা নীংথিনা ত্রেনিং পীবগী মরুওইবসু লৈ। খুঞ্জাশিংদা ত্রেনিং পীবগা ঈরোইননা হিংননবগী লম্বীসু পীননবা মীৎয়েং চঙবা তাই। ত্রেনিং খক পীরগা হিংবা য়াবা লম্বীশিং পীবিদ্রবদি থৱাই য়াওরক্লোই। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লোনবু ওইরবসু নৎত্রগা করিগুম্বা হীরম খরদা হিংবা য়ানবগী পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎপিবা চঙই। সঙাই কন্নবগীদমক ঐখোয় পুম্নমক্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা তঙায়ফদে।

শা-উচেকশিং কন্নবগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদসু চঙবা য়াবা মীৎয়েংশিং চঙগনি। ষ্টেট অসিদা এয়রগন বেন তৌনবগী মতাংদা কেবিনেটতা পুথোক্লগনি। এয়রগন পায়নরিবশিং অসি করিদা শীজিন্নরিবনো হায়বদু খন্ননিংঙাই ওই। উচেক-ৱায়া কাপ্পনচিংবা তৌবশিং থিংনবা হোৎনবা চঙই। এয়রগন বেন তৌনবা কেবিনেটতা পুথোক্নুনা খন্নরগনি।

ষ্টেট অসিদা লাইসেন্সকী বেরেলসু য়াম্না পায়নরি। লাইসেন্সকী অশাংবা বেরেলশিং অসিসু থিংবগী তঙায়ফদবা লৈ। পায়গে হায়রগনা নোংমৈ অতেনবা অদুম্মক পায়বা য়াই। লম্লক্কী শা-উচেক কন্নবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

# ঐচ এস ওগী প্রসিদেন্ট নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলম্লে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) : হাওকিপ ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (ঐচ এস ও)গী প্রসিদেন্ট লেটখোলাল হাওকিপ এলিয়স পালাল হাওকিপ (৪০) অপোকপা হাওখোসৈ হাওকিপ ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবদা শকখঙদবা মীওই খরনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, লেটখোলাল হাওকিপনা স্কোর্পিও জীপ অমা তোংদুনা লাঙ্গোল জোন-ৱান্দা লৈবা য়ুমদা লাকপদা থৌদোক অদু থোকখিবনি। মহাক্না স্কোর্পিওদগী কুমথরগা ময়ুমদা চঙনবা থৌরাং তৌরিঙৈদা অল্টো কার অমদা তোংদুনা লাকপা শকখঙদবা মীওই খরনা মহাকপু অনকপা মফমদগী নোংমৈ মরু কয়ামরুম কাপশিল্লকখি। মহাক্না লৈমায়দা তুথখ্রবা তুংদা শকখঙদবশিং অদু মখোয়না তোংলকপা অল্টো কার অদুমক্তদা নাম্থোক্লগা চৎখ্রে। খুদক্তা মহাক মনাক নকপদা লৈরম্বা মীওই খরনা রিমস ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

# এয়রপোর্টতগী দ্রগ ফারুবগী কিহল্লকখি : ইন্সপেক্টর রঞ্জিৎ

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) :

কুমজা ২০১৩গী জন্যুৱারী ১১দা কোলকাটাদগী ইম্ফালদা পাইরকপা দেকান ফ্লাইটকী কার্গোদা পুরকখিবা লুপা ক্রোর ১.৪ রোমগী ময়াই কাবা দ্রগ ফাখিবা কেসকা মরী লৈননা লম্ফেলপাৎদা লৈবা স্পেসল কোর্ট, নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবটেন্সেস (এন দি পি এস)কী জজনা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেসকী ষ্টেটমেন্ট ঙসিদগী লৌবা হৌখ্রে।

স্পেসল কোর্ট, এন দি পি এসকী জজনা ঙসি অহানবা ওইনা প্রোজি-ক্যুসন ৱিটনেস নম্বর ৱান ওইরিবা নার্কোটিক সেল ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওফিসার ইন-চার্জ ওইনা থৌ পুরিবা ইন্সপেক্টর কাংজম রঞ্জিৎকী ষ্টেটমেন্ট লৌখি। কে রঞ্জিৎ এয়রপোর্টতগী দ্রগ ফাখিবা মতম অদুদা নার্কোটিস সেল ইম্ফাল ৱেষ্টকী ও সী ওইবদা নত্তনা স্পেসল ইন্টলিজেন্স য়ুনিট (এস আই য়ু)গী ওফিসার ইন-চার্জ ওইনসু থৌ পুখিবনি।

সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)গী স্পেসল ক্রাইম ব্রাঞ্চ কোলকাটাগী দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস বি বি চক্রবর্টিনা ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসার ওইরগা ৱাথোক অসি থিজিল্লকখিবনি। কেস নম্বর আর সী-৭/এস/২০১৩ কোলকাটাগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১৬কী এপ্রিল থাদা চার্জ সীট লানখৎলকখিবনি। চার্জ সীট অদুদা সী বি আইগী মায়কৈদগী হৌজিক হৌজিক এম এল এ ওইরিবা হেনরি ওক্রম, সাপম অরগস, এম দি রজাউদ্দিন, তর্পোন অমসুং দিল্লিদগী মেদিকেল দিষ্ট্রিব্যুটরনি হায়বা রাজনেশকুমার অমসুং রনবির ত্যাগি দ্রগকী কেস অসিদা চেন্নৈ হায়না মরাল শীরকখি।

কোর্ট অসিনা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুঙ্খায় তারকপদগী চাউরাক্না পুং ৩.৩০ রোম চঙনা প্রোজিক্যুসন নম্বর ৱান ওইরিবা ইন্সপেক্টর কে রঞ্জিৎনী ষ্টেটমেন্ট রেকোর্দ তৌখি। ইন্সপেক্টর রঞ্জিৎনা পীখিবা ষ্টেটমেন্টকী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, কুমজা ২০১৩গী জন্যুৱারী ১১গী নুংথিলগী পুং ২/৩ লোম তারকপদা থাজবা য়াবা সোর্ছ অমনা মোবাইল ফোনগী খুত্থাংদা য়াল্লবা কন্ত্রাবেন্ট দ্রগশিং দেকান ফ্লাইটগী কার্গোদা মপান লমদগী ইম্ফালদা পুশিল্লক্লে অমদি দ্রগশিং অদু ইম্ফাল এয়রপোর্টতা য়ৌরক্লেহায়রকখি।

পাউ অদু হেক ফংবদগী খুদক্তা এয়রপোর্টতা চঙশিন্নবা ঐহাক্না সবোর্দিনেট ওফিসারশিংদা খঙহনখি। এয়রপোর্টতা চঙশিনখিবা টিম অদু এস আই, ঈ অজিৎ অমদি এস আই অমিতাব অরাম্বমনা লূচিংখি। হীরম অসিগী মতাংদা ঐহাক্না এস পিগী চার্জসু পুরিবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

**থাউগী মমল**

**ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট**

**পেট্রোল :** লিটরদা লুপা ৬২.৪৪
**দীজল :** লিটরদা লুপা ৫২.১৭




ঈ-পাঙ্গা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫